ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯢ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯰, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯸꯰ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, জন্যুৱারি ১০, ২০২০, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ২৮০শুবা মশীং

# য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা ইরানগা খূৎ থানরকপা

## গল্ফ রিজনদা অমুক হন্না লান শোক্লুরকপা য়াবগী অকিবা

রেভল্যুসনরি গার্দসকী মকোক থোংবা কম্মান্দর জেনরেল কাসিম সোলেমানি হাৎখিবগী লমন খুল্লা ওইনা তৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা ইরাননা ইরাক্তা লৈবা য়ু এসকী মিলিটরি বেজ অনীদা বেলিষ্টিক মিসাইল কয়ামক কাপশিন্দুনা এটেক চথখ্রে। কুমজা ১৯৭৯দা ইরাননা টেহরানদা লৈবা য়ু এস এম্বেসি খুদুম চল্লুনা নাকল অনী অকনবা মওংদা মুক্লুরকখিবা অদুগী মতুং তারকপদা ইরাননা অহানবা ওইনা অমেরিকাদা অতন্নবা এটেক চথখিবগী থৌওং অদুদা য়ু এসকী লান্মী ৮০ রোম হাৎলে হায়না ক্লেম তৌখি। বাঘদাদ মনাক্তা য়ু এসনা দ্রোন এটেক চথদুনা রেভল্যুসনরি গার্দসকী জেনরেল কাসিম সোলেমানি হাৎখিবগী লমন খুল্লা ওইনা য়ু এসকী মিলিটরি বেজশিংদা মিসাইল কাপশিনখিবনি হায়না ইরানিয়ন ষ্টেট টেলিভিজনগী রিপোর্টনা ফোঙদোক্লি। এটেক অদুদা য়ু এসকী লান্মী ৮০ রোম হাৎখিবা লোয়ননা ইরাক্কী এন অল অসাদ এয়র বেজদা লৈবা য়ু এসকী দ্রোন, হেলিকোপ্টর অমদি অতৈ খূৎলায় কয়ামকমু মাঙ তাকহনখি হায়নসু ইরাননা ক্লেম তৌরি। অমেরিকাগী দ্রোন এটেকনা লৈথিল্লবা জেনরেল কাসিম সোলেমানিগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং লৈরোল চল্লবা মতুংদা ইরাননা লমন খুল্লা ওইনা চথখিবা থৌওং অদুনা মরম ওইরগা য়েংথিনবা লৈবাক অনী লান শোক্লুরকপা য়াই হায়না মিপাইবা পোক্লরি। ইরাননা ফোরেন মিনিষ্টরনা ট্বিটরদা থাদোরকখিবা ৱারোল অমনা হায়খি, য়েক্লবনা খূৎ থারকপদা ইশা ডাকথোকচনবগী পাম্দমদা ইরাননা চপ মান্নবা মওংদা খূৎ হনখিবনি। মতম শান্না য়েংথিনননা লাকখিবা লৈবাক অনীগী মরক্তা খম থেংনা উংখৎনরিঙৈগী চৈরক্তা মীওই ১৭০ তোংবা য়ুক্রেনগী প্লেন অমা টেহরান মনাক্তা কায়বগী থৌদোক থোকখ্রে। য়ুমশকৈশা নুমীৎতা থোকখিবা থৌদোক অদুদা মীওই ১৭০ মক শিরম্বা য়াই হায়না ইরানিয়ন ষ্টেট টেলিভিজনগী রিপোর্টনা ফোঙদোক্লি। চৈরকসিদা য়ুএস অমদি ইরানগী মরক্তা লান শোক্লুরকপা য়াবগী ফীভম লাকপদগী মকোক থোংবা অমেরিকন দিফেন্স ওফিসলশিংনা হ্বাইট হাউসতা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকা উনদুনা মতুং তারকপদা লৌখৎকদবা থৌরাংশিংগী মতাংদা কুপ্পা খন্নবা হৌখ্রে। নাকল অমরোমদা ইরানগী রেভল্যুসনরি গার্দসনা অকনবা চেকশিন ৱারোল পীরদুনা হায়খি মদুদি য়ু এসকী মিলিটরি বেজদা মিসাইল কাপশিনখিবদুগী মতাংদা করিগুম্বা খূৎ হল্লকপা তারবদি অমুক্কা হেন্না তমথিবা মখলগী এটেক চথনবা থৌরাং লৌখৎলকপা য়াই। ইরাননা মিসাইল কাপশিন্দুনা এটেক চখরকখিবা এয়র বেজ অদুদা নোর্ৱেগী লান্মী ৭০ রোমসু লৈবনি। অদুবু থৌদোক অদুদা নোর্ৱেজিয়ন লান্মী অমত্তা অশোক-অপন নংখিদে হায়রি। চৈরকসিদা টর্কিশ প্রসিদেন্ট রিসেপ টায়িপ অর্দোগান অমসুং রসিয়ন প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিননা মিদল ইষ্টতা হৌজিক ওইরল্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে। লুচিংবা অনীনা থাদোরকখিবা জে ইন্ট ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, নাকল অমত্তনা মিদল ইষ্টতা টেন্সন ৱাংখৎলল্লবা অমসুং লান শোক্লুরকপা য়াবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎলোইদবনি। পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননসু মিদল ইষ্টতা টেন্সন হন্থহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না মরী লৈনবা পূন্নমক্তা আপিল তৌখি।

য়ুমশকৈশা নুমীৎতা ওমানগী মিনিষ্টর ফোর রিলিজিয়স এফেয়র্সকা উনদুনা ৱারী শানরবা মতুংদা ইমরান খাননা ট্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়খি, অথুবা মতমদা পাকিস্তানি ফোরেন মিনিষ্টরবু ইরান, সাউদি অরাবিয়া অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সতা থাদুনা মিদল ইষ্টতা টেন্সন হন্থহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি। হীরম কয়াদা য়ু এসকা খূৎশম্নরিবা বৃটেননদি ইরানগী মায়োক্তা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকখি। বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সননা হায়খি, য়ু এস লান্মীশিংনা শীজিন্নবা ইরাক্কী মিলিটরি বেজদা ইরাননা মিসাইল কাপশিন্দুনা এটেক চথখিবদু কা-হেনবা থৌওংনি। মমাঙ চয়োলদা য়ু এসনা হাৎখিবা ইরানিয়ন রেভল্যুসনরি গার্দসকী কম্মান্দর কাসিম সোলৈমানিনা মমাঙদা বৃটিশ লান্মী কয়া হাৎখিবগী মতাংদসু বোরিস জোন্সননা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। বৃটেনগী মরু ওইবা ওপোজিসন পার্টি ওইরিবা লেবর পার্টিগী লুচিংবশিংনদি ইরানগী মীচঙ চঙবগী মওংদা য়ু এসপু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। লেবর পার্টিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, য়ু এসনা ইন্টরনেসনল লোগী ৱাংমদা ইরানিয়ন রেভল্যুসনরি গার্দসকী কম্মান্দর কাসিম সোলৈমানি হাৎলুবদগী মিদল ইষ্টতা নৌনা অমুক টেন্সন ৱাংখৎলকপনি। লৈবাক অমনা অতোপ্পা লৈবাক অমগী থবক-থৌরমদা খূৎ থিংজিনবা হায়বসি খ্বাইদগী চাউবা অশোয়বনি হায়নসু পার্টি অসিনা ৱাশিংটনগী ফোরেন পোলিসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। অমরোমদা, নোর্থ এটলান্টিক ট্রিটি ওর্গনাইজেসন (নাটো)গী সেক্রেটরি জেনরেল জেন্স ষ্টোলটনবর্গনা ইরানগী মিসাইল এটেক অদুবু কন্দেম তৌরদুনা হায়খি, ইরাক্তা লৈবা য়ু এস লান্মীশিংদা ইরাননা মিসাইল কাপশিনখিবদু য়ানিংদে। মখা তানা খোয়শাওনবা পোকহনবা য়াবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎলোইদবনি। টর্কিনসু ইরান অমদি য়ু এসকী মরক্তা মখা তানা খূৎ থোক্লরক্তনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলি। টর্কিশ ফোরেন মিনিষ্টর মেভলুট কেবুসোগলুনা ইরাক অমদি ইরানদা চৎতুনা টেন্সন হন্থহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি। সিরিয়ানদি ইরানগী মীচঙ চঙবগী মওংদা হায়খি, অমেরিকানা চথরকপা কা-হেনবা থৌওংশিংদগী ইরাননা মশা ঙাকথোকচনবগী রাইট চপ চানা লৈ। অমরোমদা ইটলিনা য়ু এসকী মীচঙ চঙলদুনা ইরানগী মিসাইল এটেক য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। হৌজিক-হৌজিক ইটলিগী লান্মী ৯০০ লোম ইরাকতা থমদুনা বাঘদাদ অমদি ইরবিলদা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকা লান্থেংনবদা ইরাকি ফোর্সেসকী মতেং পাংলিবনি। নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি মিদল ইষ্টতা হৌজিক ওইরল্লিবা ফীভম অসিনা মালেমদা থাউগী মমল ৱাংখৎলকপগী মতাংদনি। মমাঙদা য়ু এস অমসুং ইরান উংখৎনখিবা মতমদা পর্সিয়ন গল্ফতগী থাউ থাদোরকপা থিংখিবা মরম্না মালেমদা থাউগী মমল ৱাংখৎলকখি। হৌজিকসু লৈবাক অনী নৌনা অমুক মুক্নরকপদগী থাউ থাদোরকপা লেপখিবনা মালেমদা থাউগী মমল ৱাংখৎলকপনি। লন্দনগী ট্রেদিংদা শুংদোক্ত্রিবা থাউগী মমল চাদা ৪.১ হেনগৎলক্তুনা বেরেল অমগী মমল দোলর ৬৮.৯৫ য়ৌরকখি। মিদল ইষ্টতা টেন্সন ৱাংখৎলকপগী মতাংদা চাইনীজ ফোরেন মিনিষ্টর ৱাং য়িনা য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সপু অরানবা মওংদা মতীক-ময়াই শীজিন্নদনবা অমসুং অথুবা মতমদা ৱারী শানদুনা ৱারোইশিন পুরক্নবা তকশিনখি। সোভিএট য়ুনিয়ন কায়খ্রবা মতুংদা হৌজিক খ্বাইদগী চাউনা মুকন্দুনা মালেমদা সুপর পাৱর ওইনবা অঙম তান্নরিবসি চাইনা অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সনি হায়বা পূন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। মতৌ অসুম্না গল্ফ রিজনদা হৌজিক লান শোক্লুরকপা য়াবগী ফীভম লৈরে হায়বসি তশেং-তশেংনা খঙবা য়ারে। লুরিবা ৱাফমদি তোঙান-তোঙানবা লৈবাক কয়ানা মথং-মথং মীচঙ চঙনরকপদগী অহুমশুবা মালেমগী লাঞ্জাও অমা থোরক্কদ্রা হায়বদুনি। কনভেনসনেল ৱেপন শীজিন্নরগা শোক্লখিবা মালেমগী অহানবা অমদি অনীশুবা লাঞ্জাওদা ফাওবা মীওই কয়া শিখিবগা লোয়ননা পাক শন্না অমাঙ-অতা থোকখিবনি। হৌজিক্তি লৈবাক অয়াম্বা ন্যুক্লিয়র ৱেপন অমদি বাইওলোজিকেল ৱেপনগুম্বা পাক শন্না মাঙহন-তাকহনবা ঙম্বা খূৎলায় পায়নরবনিনা অহুমশুবা লাঞ্জাও থোরকপদা মালেম অসি পুংতুম তুমখিবা য়াই। পূন্নমক অসিগী য়েংলগা অমসু-অমসু খোঙফম হন্দোক্লরগা য়াশিন্নবা পুরক্নবা হোৎনফম থোকই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১১

১। মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী মনুংদা বৃটিশনা লৌশিনবসু ইকোন কোনবনি, অদুগা ইন্দিয়াদা তিনবসু ইকোন কোনবা লৈবাকনি। অদুবু কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দগী অতোপ্পা লম অনীগা পূন্না ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইখ্রে।

(ক) অতোপ্পা লম অনীদুগী মনুংদা অমদি ত্রিপুরানি, অতোপ্পা লমদুগী মমিং হায়য়ু।

(খ) শিল্লোংদা মহারাজ বুদ্ধচন্দ্রনা চৎখিবদু মাগী মরৈবাক নীংবা প্রাইভেট সেক্রেটরি লোয়নখি। মহাক অদু কনানো?

২। "ইজমগী পল অসিদি নৈনরোয়গী লৈই অমনি, কবিদি লৈইগী ৱাংমদা লৈগল্লি। ফাজিনবসু লানগনি।" ৱাফম অসি নৈনরোয় অমগী মতনি। মহাক্না 'মোরাম্বী অঙাওবী' কৌবা ৱারীমচাগী লাইরিক অমসু ইরম্মী। মহাক্তু কনানো?

৩। "য়েংঙু/কৌব্রুসে কূমথরক্লে/মথন্তা/চীংদোন্দগী/লৈচিন নোংফাই অমতা লোয়নরক্তনা/কদায়দনো/মীরকসিদা।" পরেংশিং অসি দিনমনী অমদি সমরেন্দ্রগী মতুংদা লাকপা ষ্টেরিকেল কবি অমগী ৱাহৈশিংনি। মহাক অদু কনানো?

৪। "পোইরৈ কৌগেরা, কংলৈ কৌগেরা/মুৱাপল্লি থোনগেরা, সনা পুংময়োননিবু হায়সিরা/কতে কশে মুগলাই/কৌনীংবতা কৌজৌ, ঐগীদি সনা লৈবাক।" পরেংশিং অসিনা 'শাৎচগে নঙগীদমক' কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো?

৫। "অনৌবা য়ুগকী/অনৌবা আশা পুদুনা/লাক্লো নহারোল।" মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ঙা থোংবা য়াওরমদ্রবা, লন-থুম পী হায়রমদ্রবা ইমোইনু ঈরাৎপগী চাং য়াম্না হন্থরমগনি

অওনবা মালেম

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

ঙসিগী নহা ওইরিবা মীরোলসিনা ইমোইনু ঈরাৎপগী মরমদা কয়া য়াম্না মুন্না খঙলমগনি হায়বা থাজদে। ইবেনধৌ ইমোইনু কনানো হায়বদু খঙবা নহা ওইরিবা মীওইসু লৈরমগনি। করিগুম্বা লৈবা তারবসু ইমোইনুগী ৱারী ৱাখোঙ মুন্না খঙবা হায়বদুদি ওইরল্লোই। চুন্নতগী ইমোইনু ঈরাৎতুনা ঙা থোংই, লন-থুমগী মবেম্মনি, মহাকপু ঈরাৎলবদি ৱাৎত-পাদবা ইমুং ওইবা ঙম্মী হায়বদুখক খঙবা মীনা অয়াম্বনি। মীয়াই চল্লবা অমদি মীয়াই চনবদগী হেঞ্জিন্দুনা অহল মতম ওইরবা মীওই কয়াসু ৱারী মুন্না খঙদবা কয়া লৈরি। শুপচিন্না হায়রবদা ইবেনধৌ ইমোইনুগী ৱারী মুন্না খঙদবনা অয়াম্বনি। ৱারী খঙদ্রবসু খঙননবা হোৎনগে হায়বগী থৌরাংবা হায়বদুসু লৈতে। শম্না খঙনীংদে। ইমোইনু ঈরাৎপা নুমিৎ খুদিংগী রেদিওদা ইবেনধৌ ইমোইনুগী মরমদা শান্নবা শুমাং লীলা অমা শন্দোকপদুফাওবা তাবিনবা মীগী মশীং য়ামদ্রে। থায়নগী ৱারীগী লীলানি হায়না খল্লদুনা হৌজিক মতমগা চানদ্রে হায়রদুনা রেদিওদু মুখৎলে। মদুনা মরম ওইরদুনা ৱারীদু খঙবা ঙমদ্রে। খঙবদসু কান্নবা, খঙবদসু নুংঙাইবা, খঙদবসু য়াদবা, খঙদবদা ইকায়বসু নংগদবা মীতৈ ইশাগী ঈ মরীগী ৱারীদুবু ইরায় লায়থোকপদগী খঙদ-খঙদনা অসুম চৎখ্রে। মরম খঙদনা অসুম চৎখ্রবদি খুদোংথীনীংঙাইনি। চোপ্পা ইকায়বসু নংগনি। মদু অতৈ কনাদসু নত্তেদো ঐখোয় মীতৈ মশেলগী মরক্তা অদুগা মীতোপ-মীয়ানচাশিংগী মমাঙদসুনি। ওইথোক্তবসু য়াবা নত্তে মীতোপ মীয়ানচাশিংনা করিগুম্বা ইবেনধৌ ইমোইনু ঈরাৎপগী ৱারী ৱাখোঙ ইচম-চম্না হংলক্লে হায়না খল্লবদি করি হায়না ৱারীদু লীগনি। মরীক চুল্লরোই নৎত্রা? মরী মখোঙ শম্নদবা ৱারীদি মীতৈলোল খঙদবা মীতোপ-মীয়ানচাশিংনসু তাবদা অদুমক খঙবা ঙমগনি হায়বদু লায়না খঙবা ঙমগনি। অদুদগীদি মশাগী চৎনবী ৱারী ফাওবা মুন্না খঙজবা ঙমদবা মীদুদি মীতোপ্পা নোক্লবিরকপা মশানা তাবনি। শম্না খরা খরা খঙবা হায়বসি খুদোংথীবা নংনীংঙাইনি হায়বদি 'লিটুল নোলেজ ইজ টু দেঞ্জরস' হায়বদুনি। রেদিও তাবা য়াম্না কান্নবনি। শেল তিংদনা কান্নবা কয়া খঙবা ঙম্বসিদি রেদিওসু অমনি। রেদিওবু ঙসিগী ইন্টরনেটনা খম থেংনা চাওখৎলবা মতমসিদা মতমগা চুনদ্রে থায়নগী খুঙ্গংগী মওং চংই হায়দুনা থওইদবা চুমদে। য়াম্না লায়না ইমোইনুগী ৱারী ইমোইনু ঈরাৎপা নুমিৎতা নুমিদাং খুঙ্গংগী থৌরমদা তাবা ফংগনি মদু তাবীয়ু। তারিবমখৈসু তানীংবা পোকপনি নুংঙাইবনি। মদু লৈবাক মচা তাবা, লাইরিক হৈবা, চাওখৎলবা মী অমগী মচৎনি। ফেসবুক, হ্বাটসএপ, য়ুট্যুব, ট্বিটরগী মতমনি হায়দুনা রেদিওবু মীরাইবা ফত্তে।

হৌজিক্কী নহা ওইরিবা মীরোলসিনা খুমন ক্বাকপা, পিয়াইনু, চলাম্বগী ৱারী ইবেনধৌ ইমোইনুগা করি মরী লৈনৈ হায়বা খঙদবনা অয়াম্বনি। মখোয় খঙনীংবসু পোক্তে, অদুগা খঙগে হায়নসু খন্দ্রে। মসিগী মহুত্তা অরিবা ৱারী ময়ামসি খঙলুবগী করি কান্নে হায়না খনবা মীওইনা অয়াম্বা ওইরে। চলাম্বা কনানো অদুগা কনাগী মচানো? খুমন নিংথৌ ক্বাকপগা পিয়াইনুগা করি মরী লৈনৈ? ইবেনধৌ ইমোইনুনা খুমন নিংথৌ ক্বাকপগী ময়ূমদগী পিয়াইনুগী ময়ূমদা লাকপগী মরম্না করি লৈবগে? ইমোইনুনা ফুঙ্গা লাইরুদা লৈবগী মরম অমদি ঈরাৎপা নুমিৎতা ঙা মদুসু অঙৌবা মচুগী ওইনা কৎনরিবগী মরম খঙবা মথৌ তাই। অদুগা ৱারীদি খঙদ্রবা, খঙসু খঙনীংবা পোক্তবা ঙসিগী মীরোলসিনা খ্বাইদগী পাম্বা মওং অমদি লন-থুম চঙলকই হায়বদুগী মরমদুদি খঙলবজাৎলা? অতৈমক খঙদ্রবসু মসিমদি মুন্না ৱারী ৱাখোঙদু খঙজিনবা কান্নগনি করিনা হায়ববু কান্নখ্রবা লন-থুমদু ফংলগা তুমিন্না লৈথোকপা চুল্লোইদা লৈবাকমচাশা। লন-থুমদা পাম্বা ৱারীদি খঙনীংদবদুদি মবুক লুবা লৌজনাম-পুজনামদা পাম্বা মী মচা ওইগদবা মাল্লি। লন পীবিরিবা ইবেনধৌনা মপূক্লিংদা নোক্লিংবা পোক্লমগদবা মাল্লি। ঙাকপীবা ঙমদ্রবা ইরাল অমা লংশিঞ্জবগা অমহানি হায়নীংই। লন-থুম পীবিয়ু, ৱাৎত-পাদবা ওইজগে হায়দুনা নীজরিবা ময়ামদু ইবেনধৌনা লৌনীংলমদববু য়ারিবনি। শম্না ইবেনধৌবু ঈরাৎলিবদুগী মহয়বু ফংগদবা মান্দে। মসিগুম্বা ময়ামসিনা ওইরম্বসু কনানা খঙবা কুম খুদিংগী ঈরাৎলিবদি অদুগা লন-থুমগী মপাদি ইচুম-চুমদ্রিবসি। লাই নীংল-নীংলগা ইকান কান্নদে অদুনা নীংলুবগী কান্নদে হায়বা মীয়াম অমসু অদুমক লৈবনি। হৌজিক অয়াম্বা মীরোলনা তৌরিবসিদি ইমোইনু য়ৌরক্লে হায়বগী অদুম ঈরাৎপগী থবক তৌবনি। মদুসু ঙা থোংবা কৎপগী থৌরম অসিমগা য়াওরমদ্রবদি ইবেনধৌ ইমোইনু ঈরাৎপগী থৌরম অসি অদুক হাক্লা মমিং লৈরল্লোই। হৌজিক্কী অনৌবা মীরোলশিং (ৱারী খঙনীংদবা) অসিদি চাবা-থকপগী থবক য়াওদ্রবদি থৱায় য়াওনদ্রে। লন-থুম পীবি হায়রবসু ঙা থোংবগী থবকসি য়াওদনা লাই খুরুম্বখক্কী ওইরবদি ইমোইনু ঈরাৎপগী ঈৱায়-ঈনিল য়াম্না হন্থরমগনি। চৈরাওবা, নিংঙোল চাক্কৌবা, য়াওশঙ হায়রিবশিং অসি চাবগী থবক অমা য়াওবসিনসু অচৌবা কুম্মৈ অমা ওইবা ঙল্লিবনি। মদু নৎলমদ্রবা অদুক হাক্লা মমিং লৈরমদবসু য়াদবা নত্তে। মীতোপকী ন্যু য়র ফাওবা চাবা থকপগী থবক অমা য়াওবদুনা মীতৈ ঐখোয়না অচৌবা কুম্মৈ অমা ওন্থোকপীরিবসিনি। খৃষ্টান চৎপশিংগীনি অনৌবা চহীসি। নুমিৎ অসিদা মখোয়না অনৌবা চহী লাকপদা ষিশু খৃষ্টতা খুরুমজে। পিক্নিক চৎতে। অদুবু মীতৈশিংনা লাই খুরুমদে। পিক্নিক চৎলি। নুংঙাইথোক্তুনা চাবা থকপা তৌই জন্যুৱারী থাগী নুমিৎ কয়ানিমুক মখা শাংথনা অনৌবা চহীগী নুংঙাইথোকই।

ৱারী খঙদনা ইমোইনু ঈরাৎপদি অশেংবা ঈরাৎপা নত্তে। লন-থুম, ৱাৎত-পাদবা ওইহনবীয়ু অমদি চাবগী থবক অমা য়াওবদুদা মপূং ওইবা ৱাখল থল্লগা ঈরাৎপনি হায়বসিদা থোইদোক্লা লাল্লোই হায়নীংই। মীতৈ ঐখোয় লাই য়াম্না নীংদ্রে। অদুবু লাইদি খুরুম্মী। মদুসু নুপীশিংনা মরুওইনা খুরুম্মী। মীতৈ নুপাশিংদি লাইসু নীংদ্রে অদুগা লাইসু খুরুমদ্রে হায়বা য়ারে। লাই খুরুম্বগা লাই নীংবগা অনীসি নুংদা য়াম্না খেন্নে। মপান্থোংদা য়েংবদদি করিসু খেন্নদনা উবনি। লাই খুরুম্বা হায়বগী ৱাহন্থোক্তি তাইবঙ মপু ওইরিবা নীংজরিবা লাই অদুদা করিগুম্বা অমা/খরা ফংহনবীয়ু হায়দুনা খুরুমজবা অদুনি। মসিদি মীওই অদুগী করিগুম্বা খরা ফংজনবা, মপুন্সি হিংনবা, থবক মায় পাক্লবা খুরুম্বনি। করিগুম্বা মহাক্কী খুদোংচাদবা কয়া লৈত্রবদি লাই খুরুম্বগী চাং হন্থরকই অমদি খুরুমনীংবগী চাং অমদি লাই মাবু নীংশিংবগী চাং য়াম্না হন্থরকই। কোন্না অমুক লাই মাবু নীংশিংলক্কনি করম্বা মতমদনো হায়ববু করিগুম্বা খুদোংচাদবা থেংনরক্লবা মতমদা। মসিনি ঙসিগী অনৌবা নহা ওইরিবা মীরোলনা তৌরিবা মওং অসি। নহা ওইরিবা ঙসিগী মীরোলখক্তা নত্তনা অহল ওইরবা মীওইশিংসু তৌরে। লাই নীংবা হায়রবদি লাই অদুগী পাউতাক, পাউজেল, নুংগী ওইবা ৱারী ময়ামদু খঙনা শৈথাদুনা খুরুমজবা অদুবুনি। করিগুম্বা অমা নীবগী ৱাখল য়াওদ্রে মসিদা। মসিগী লাই নীংবগী মওং অসিদদি লাইনা পেনবিদুনা মচা-মনাই ওইরিবা মহাক্কীদমক থৌজালবীবা অদুনি। মসিগী ফিলোসোফি অসিননি ৱাখল লান্না চৎখিগদবা তাইবঙ মীওইবগী পূক্লিং ৱাখলবু ফাজিন-পুনশিন্দুনা ফৈরেংননা চৎনবা হোৎনবদগী থিংবা ঙল্লিবনি। মালেমগী ফুরুপ অয়াম্বনা লাই নীংবগী মওং অসিগুম্ননি। মসিনা মশাগী ফুরুপ অদু কঞ্জবা ঙম্মী। ফুরুপ অদুগী চৎনবী ফিজেৎ-চাকচা, ৱাঙাঙ-শাঙাঙ কয়া মাঙখিগদবদগী কনবা ঙম্মী। অমরোমদা মশাগী লাইনীংবু চেৎনা ৱারী ৱাখোঙ খঙনা নীংলবদি মীতোপ চংশিল্লকপা, মীতোপ্পা খুদুম চনশিল্লকপা, মীখা পোনবদগী কঞ্জবা ঙমগনি। হেঞ্জিন্না হকচিন্না লাই নীংবগী থৌওং অদুমক্তি নত্তে মসিদি। য়ামদ্রবদা মীতৈ মচাশিংনা (নুপা + নুপী) নোংমদা অমুক নৎত্রগা অনীরক্তি লাই নীংবা মথৌ তারি। হায়রিবা চাং অসি চাওখৎলবা মালেমগী লৈবাক কয়া/ফুরুপশিংনা তৌরিবা চাং অদুগা চপ মান্নে। মখোয়না ঙল্লগা মীতৈ ঐখোয়না তৌনীংদ্রিবা করিগীনো? লাই নীংবদা তাথীরিবা করিগীনো হায়বদু মীতৈ ঐখোয় খন্থজবা মতম থেংমল্লে।

মীতৈ নুপীখক্তদা লাই নীংবা/খুরুম্বগী থবক শিন্নথোকপা চৎনদে। নুপাশিংদি লাই নীংবগী মথৌ তাদবগী মওংদা লৈবসিননি মীতৈ লৈবাক্তা মীতোপশিংনা খুন্দারক্লিবসি। মীতৈ ইশাগী চৎনবি কয়া হুন্দোক্লগা মীতোপকী ফিজেৎ-চাকচা, কুম্মৈ ফিয়োং কয়ানা মহুৎ শিন্দোরক্লিবসি। মীরোল লোল্লগা মীতোপকী লাইনীং লৌরগা লাইরিক হৈরবা, চাওখৎপনি খল্লবা, হৈশিংলবা মীওইনি খল্লিবা মীওইশিংদু ইশাগী লাই নীংবা ৱাৎপদগীনি। লাইরিক লাইশু হৈবগা লাই নীংবা তোকপগা মরী লৈনদে। লাই নীংবা হায়রগা শূবা নোম্বা, মহৈ তম্বা তোক্লগা নীংবা লাই খুনীংদুদি নত্তে। মদুদি মীওইবগী পুন্সিদা মাঙজবা ঙাক্তনি। মীতৈ ঐখোয়গী ৱারীদা কংলা, কৌব্রু, থাংজিং, মার্জিং, ৱাংব্রেন, পান্থোইবী, নোংপোক নিংথৌ, সনামহী, পাখঙবা, চৈরাওবা, য়েক, সলাই কয়াসিগী মরী মুন্না খঙনবা হোৎনসি। ●

# দিমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক কদোমদা চৎখ্রবনো খঙদ্রে

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

দিমোক্রেসি হায়বসি লৈবাক মীয়াম্না ঙাকচবা লৈঙাক্কী সিষ্টম অমনি। লৈবাক মীয়াম হায়রিবগী ৱাহন্থোক্লা লৈবাক মীয়াম্না মীয়ামগী মীহুৎ খন্দুনা থাগৎপদুবুনি। ইন্দিয়াসি মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউবা দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমনি লৌনরিবনি। দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাকশিংনা লৈঙাক্তুনা লৈবাক মীয়ামগী খোঞ্জেল শোয়দনা তাবা অমসুং তারিবা খোঞ্জেলদুগী মতুংইন্না মীয়ামগী অনীংবা-অপাম্বশিংবু মনীং থুংহন্নবা মওংদা লৈঙাকপা হায়বসি তৌফম থোকপা অমনি। লানবা-চুম্বা অমসুং অফ-ফত্তগী ৱাফমশিং তোঙানখ্রগা, হন্দক্কী সী এ এ (হান্নগীনা সী এ বি) ৱাথোক্কী মতাংদা ইন্দিয়া লৈঙাকসি দিমোক্রেসি চৎপা লৈঙাক অমা ওইরিবরা নৎত্রগা ওইদ্রবরা হায়বসি হায়ফেৎ চমন্নবা পোকপা ৱাফম অমা ওইরি। ইন্দিয়াগী মীয়াম্না মীওই কয়াগী মমল য়াল্লবা থৱায়শিং য়াওনা, খাঙতপ্তা মপুন্সি লোমহন্দুনা, সী এ এগী মায়োক্তা লাউ-খোংদুনা অহিং-নুংথিল খায়দনা খোঙজং কয়ামরুম চংশিনখি। ইন্দিয়া মনুংদদা নত্তনা মপানগী লমশিংদগী ফাওবনা তোঙান-তোঙানবা কম্মেন্টশিং অমদি খোঞ্জেলশিং কয়ামরুম থোক্লুরকখি। অদুবু ঙক্লিবদি, হন্দক্কী ইন্দিয়া মনুংদা নত্তনা মপান্দগী ফাওবা য়াওনা লাকখিবা খোঞ্জেলশিং অমসুং কম্মেন্টশিংদু, দিমোক্রেসি ঙাক্লা চৎলি হায়রিবা চাউরবা ইন্দিয়া লৈঙাকসিনা মচেৎ অমত্তা ওইরসু তাবীখিবগী ৱাফমশিং লৈখিবরা হায়বসিনি। ৱাফমসিনি মীয়ামদা হংনীংলিবসি। সী এ এ ফরম্বা য়াই নৎত্রগা ফরমদবা য়াই। সী এ এগী মতাংসি তোঙান্না ঙাইহাক্তং থমখ্রগা, ইন্দিয়াগী য়াল্লবা মীয়াম অমগী খোঞ্জেলবু তাবীবা অমসুং তাবীদবা হায়বা হীরমসিদা পাল্লিবা লৈঙাকসি দিমোক্রেসিগী লৈঙাকনি অমসুং নত্তে হায়বদু খন্নরকফম থোকই। হায়নীংলিবসি, সী এ এগী ৱাফম কাউথোক্লগা, দিমোক্রেসি চৎপা লৈঙাক অমগী ৱাহন্থোক্তু হৌজিক পাল্লিবা ইন্দিয়া লৈঙাকসিনা ঙাক্লা চৎলিবরা অমসুং লৈঙাকসিদা মদুগী মমি তারিবরা হায়বা ৱাফমসিনি। কন্সটিট্যুসনগী মরমদা মীচম-মীয়াম ঐখোয় মুন্না খঙলমদবদি য়াই অদুবু ঐখোয়না খঞ্জবদদি দিমোক্রেসি চৎপা লৈঙাক অমা হায়বসি মীয়ামগী খোঞ্জেল তাবীফম থোকপনি সিনি। হীরমসিদা হঞ্জিন-হঞ্জিন খনবদা অমম্বা পোক্লি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্না সী এ এবু নৌনা এমেন্দ তৌরগা অনৌবা এক্ট অমা ওইনা চৎনহনগনি হায়দুনা পুথোক্লকপগী মতাংসি হায়ফেৎ ঙকই। ঙক্লিবসিগী মরম মথক্তসু পঞ্জখ্রে। এক্টসিগী ওইবা অফ-ফত্তগী মরমদা নৈনরুবগী ৱাফম থোইদোক্না নত্তনা, ঙাইহাক্তং তোঙান্না থল্লগা, এক্টসিগী মতাংদা ইন্দিয়া শিনবা থুংনা লাঙনখিবা অমসুং ৱাকৎ কয়ামরুমগী অচৌবা ঈরাংশিং লাক্লখিবদুনি। খ্বাইদগী ঙক্লিবসি হন্দক পুথোক্লক্লিবা এমেন্দ তৌরবা এক্টসিগী মতাংদা খন্নবা খুদিংমক্তা য়াম্না মরুওইনা, পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মরক্তা লৈঙাক অমদি ওপোজিসন পার্টি অনীমক্কা অচৌবা দিবেট অমা ওইনা চথনরকপসিনি। অশেংবদি এক্টসিগী অফ-ফত্তগী মরমদা অচুম্বদু চুম্না খন্নফম থোকপনি। অদুবু, লৈঙাক পায়রিবা কাঙবুশিংগী মায়কৈদগী ওইরগনা, সী এ এ ফৈ, চৎনহনগদবনি হেক্তা হায়বা অমসুং ওপোজিসন কাঙবুশিংগী মরক্তগী ওইরগনা, সী এ এ চৎনবা য়ারোইদবা, অচৌবা অরানবা এক্ট অমনি হায়না হেক্তা লাউরকপসিনি। ইন্দিয়াগী মফম খুদিংমক্তা শিনবা থুংনা থৌদৌসিদা অয়াম্বনা চথনবা মাল্লি। হায়নীংলিবসি সী এ এগী ৱাফমসি সী এ এগী ওইনা খন্নবা মানখিদে অমসুং ওপোজিসন অমদি লৈঙাক পায়বা কাঙবু অনীগী মরক্তা য়েৎনবা ৱাফমলোমদা ওইনা চথনরকপগুম উই হায়বসিনি। হন্দক্কী থৌদৌসিদবু লৈবাকসিদা দিমোক্রেসি লৈরি অমসুং দিমোক্রেসিগী ৱাহন্থোকশিং মপূং ফানা ঙাক্লি হায়বসি মতৌ করম্না হায়গদৌরিবনো? ফরসু, ফৎত্রসু দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমগী লৈঙাক হায়বসি দিমোক্রেসিগী চৎন-কাঙলোনশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা চথরকপশিংদুবুনি। হন্দক ইন্দিয়া লৈঙাক্লা নৌনা পুথোক্লকপা সী এ এগী মতাংদা, য়ানীংদদুনা অহিং-নুংথিল খাক্তনা খোঙজং চংশিল্লিবা অমসুং খোল্লাউ কয়ামরুম লাউদুনা চৎলিবা ইন্দিয়াগী মীচম-মীয়ামশিংগী খোঞ্জেলশিং লৈঙাক্লা মচেৎ অমা ফাওবা তাবীদবা মান্না চথবগী থৌদৌসি তশেংনমক দিমোক্রেসি চত্তবা লৈবাক অমগী লৈঙাক মাল্লি। মসি চুমদবা অমনি হায়নীংই।

দিমোক্রেসিদা মীয়ামগা লৈঙাক্কা নক্কনা চৎমিন্নবা ঙমদবা হায়বসি দিমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক লৈহন্দবগুম্বনি। ৱাহন্থোক মাঙখ্রবা দিমোক্রেসিবু দিমোক্রেসিনি হায়বদা চুমখিগদ্রা? দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমনি হায়বগীদমক ইন্দিয়াগী মীয়াম্না মীয়ামগী মীহুৎশিং খন্দুনা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বরশিং ওইনা থাগৎলিবনি। অদুগুম্বা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা চৎখিবা মীওইশিংদুনা লৈবাকসিগী লৈঙাক পায়রগা, মীয়ামগী খোঞ্জেল তাদবা অমসুং লৌদবা হায়বসি ইন্দিয়াগী মীয়াম্না য়ানীংফম থোক্তে খল্লি। হন্দক্কী সী এ এগী অসিগুম্বা থৌদোকশিংসি তুংদা অমুক হন্না থোকহন্নীংদে। মীয়াম্না থাগৎপা মীয়ামগী মীহুৎনা অফবা তৌবা ওইরবসু, থবক ওইনা পাঙথোকত্রিঙৈদা মীয়াম্বু হান্না মমুৎ তানা ৱাখল তাহনবীফম থোকই অমসুং শুপ্নগী মীয়ামগী অপাম-পামদশিং ময়েক শেংনা খঙদোক্লবা মতুংদা খক্তা মীয়ামগা ৱাখল মান্নদা চৎমিন্নহন্নীংই।

হৌজিক ফাওবদা, ঙসি ফাওবদা, ইন্দিয়াগী য়াল্লবা মীয়ামসিনা হন্দক্তা নৌনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা এমেন্দ তৌরক্লিবা সী এ এ অসিগী মরমদা অচুম্বা অমসুং অশেংবদু করিনো হায়বদু মমুৎ তানা খঙবা ঙমদ্রি। থৌদৌসি, ইন্দিয়াগী লৈঙাক পায়রিবা কাঙবুশিংনা অমা হায়বা অমসুং ওপোজিসনদা লৈরিবা কাঙবুশিংনা অতোপ্পা অমা, মান্নদনা হায়বদগীনি। ইন্দিয়াগী পোলিটিসিয়নশিং, মায়কৈ অনীমক্না সী এ এগী মরমদা পোলিটিক্স চথফম থোক্তে অমসুং অশেংবদুমক ইন্দিয়াগী মীয়াম খুদিংমক্তা মমুৎ তানা খঙহনফম থোকই। ইন্দিয়াগী ওইনা মাঙজগদবা এক্ট অমবু লৈবাকসিগী পোলিটিসিয়নশিংনা মাগী-মাগী অনীংবা-অপাম্বশিং থুংনবগীদমক লৈবাকসিদা করিগী চৎনহনফম থোকপগে? এক্টসি ইন্দিয়া পূম্বগী মীয়াম্না য়ানীংদনা নমদুনা চৎনহনবা চুল্লোই। মায়কৈ অমদনা ফত্তে হায়রগা মায়কৈ অমদনা ফৈ কয়ামরুম হায়বনা, ইন্দিয়াগী চল্লবা মীচমশিংনা ঙসি ফাওবগী মনুংদা এক্টসিগী মরমদা অচুম্বা-অশেংবশিংদু মশক খঙবা ঙমদনা লৈরকপনি। সী এ এগী মরমদা লৈঙাক পায়বা কাঙবু অমদি ওপোজিসন কাঙবুশিংনা অচুম্বা-অশেংবদু নৈনথোক্লগা লেপথোক্লবগী মহুত্তা, নমথাক তৌনদুনা রেল্লি চৎনদুনা, মীচম মীয়াম্বু মীচং খোম্নদুনা লৈবগী থৌদৌশিংনদি কৈদৌঙৈদা খক লৈখায় তানবা ঙল্লোই। ৱাথোকসিগী মতাংদা শিনরকপা মীশিংগী চাং হেঙ্গৎলক্কনি। মমৈদদি, ইন্দিয়াগী মীয়ামসিনা হীরমসিগী মতাংদা য়াওখ্রিবা মীশি-মীনাশিং অমদি থোকখ্রিবা অমাঙ-অতাশিংগী থৌদৌশিং পূন্নমক্তুগী তেকচাক্তু ইন্দিয়াগী পোলিটিসিয়নশিংনা পুফম থোকই হায়নরকপসু য়ারি। ফীভমসিমক য়ৌরক্লবদি ইন্দিয়াগী পোলিটিসিয়নশিং করম তৌগনি? এক্টসি তশেং-তশেংনমক অফবা অমা নৎত্রগা ফত্তবা অমদি শোয়দনা ওইরম্ফম থোকই। অফবা ওইরগনা চৎনসনু, ফত্তবা ওইরগনা করিগী য়াল্লবা মীয়ামসিবু নমথাক তৌরগা মশাগী ওইজনবগীদমক এক্টসি চৎনহল্লুগনি? মীচং খোম্নদুনা চল্লবা মীয়ামসিবু পোলিটিসিয়নশিংনা মশা-মশাগী ওইজনবগীদমক খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবদি ইন্দিয়াগী মীয়াম্না কৈদৌঙৈদা খক য়ানীংলোই। মালেম পূম্বগী ওইনা চাওখৎ-লমজেলদা মাঙজিন থাবা তান্দুনা খুরুপ থাদুনা চেন্নখ্রবা মতমসিদা, ইন্দিয়ন পোলিটিসিয়নশিংনা ইন্দিয়াগী মীচম-মীয়ামশিংদা ওনশিন্দুনা দর্টি গেম শান্নদুনা লৈথোকপগী মতমদু হৌজিক্তি নৎত্রে। অরেম্বদা অসিগুম্বা, লৈবাক মীয়াম্না মীপাইনীংঙাই ওইগদবা পোৎচংশিং খুদক্তগী লেপ্পীরো হায়ফম থোকই। হৌজিক্কী ওইনদি, মীয়াম্না চমন্নবা পোকপা অমসুং পোলিটিসিয়ন মখোয় মশেন্নসু কৈদৌঙৈদা খক ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদবা থৌদৌশিংসি লৈবাকসিদা চৎনহনবীরনু অমসুং মতুং তাথরক্লগা হেন্ন-হেন্নদুম, নোংম-নোংমগী ইন্দিয়াগী মীচমশিং শিবা-নাবগী চাং হেঙ্গৎলক্লবা থবকনিসু হায়নীংই।

সী এ এনা মরম ওইরগা লৈবাক ঈরাং হৌরিঙৈদা ইচা-ইশুশিং পূন্নমক মহৈ-মশিন অমত্তা তমহৌররোই অমসুং মীশি-মীনাশিং য়াওনা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিংগী মশীংসু ইন্দিয়া শিন থুংনা হেঙ্গৎলকপা য়াই। লানবা-চুম্বা, ফবা-ফত্তবনা অমা ওইখ্রগা, মীয়ামদা লৈখায় তাহনবা ঙল্লোইদবা এক্টসি নমদুনা চৎনহন্নবা হোৎনবগী থৌদৌ ঙসিদগী হৌনা পুন্লেপ-লেপহল্লসি। চৎলিবা চহী কুমজা ২০২০সি মীয়াম্নসু য়াম্না কন্না, মালেম পূম্বগী ওইনা ফাবা য়াম্না ৱাৎপা, চহী কুমজানি ঙাঙনরি। শেল-থুম তান্নবগী থবক্তবু চহী কুমজাসিদদি ইন্দিয়াদগীবু হৌরগা মালেম পূম্বসি ৱামিন্নগনিসু হায়রি। মীপূম খুদিংমক্না খোঙ্গুল তামিন্নবা, লৈঙাক্না মীয়ামগা অফবা মরী থম্নবা অমসুং পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মরক্তসু অমগা-অমগা হুন্ন-চৈনদবা, লৈখায় তামিন্নদ্রগসু কোক তোকথোক্লবা, লেপথোক্লবগী ৱাখল্লোনশিং খরদং চেনমিন্নসি। শুপ্নগী ময়েক শেংনা লৈঙাক্কী লেমজনীংঙাইসু ওইবা, মীয়ামগীসু য়াইফগদবা, ইমিৎনা-ইখোঙনা য়ৌবা ঙম্বা থবকশিংতমক মীয়াম অমসুং লৈঙাক চঙদুনা পায়খৎমিন্নসি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।